# ঙা লৈবদা লুপা ক্রোর ৬০০ হেন্না মপান লমদা থাদোক্লিবসি থিংনবা হোৎনমিন্নসি : বালকৃষ্ণ



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচ এন এস): অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী ঙা লৈবদা চহী অমদা লুপা ক্রোর ৬০০ হেন্না ষ্টেটসিদগী মপান লমদা চৎখিবা চাউরবা শেনফমশিং অসি মখা তানা চৎতনবা লমদমসিদা মতমগা চুনবা মওংদা ঙাগী ফার্মশিং তৌদুনা হোৎনমিন্নবা মথৌ তারি হায়না ফিশরিজ, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টর বালকৃষ্ণ হৈস্নামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি হোটেল ইম্ফালদা লৈবা সঙাই হোলদা তম্নাকোননা শীন দুনা পাঙথোকখিবা দয়াল এক্কা ফীদ লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অমদা মহাক্না দয়াল এক্কা ফীদ লোঞ্চ তৌরে হায়না লাউথোক্তুনা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসিদা লৈরিবা মীওইশিং ঙা যাম্না চাবা পামজবা মীওইনা অয়াম্বনি। ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা ঙাগী দিমান্দ লৈরিবসি মপুং ফানা পীবা ঙমদনা লৈরি। মরম অদুনা মপানদগী ঙা পুশিল্লক্লবা হোৎনবদা ষ্টেট অসিদগী চাউরবা শেনফম কয়া মপান লম অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা চৎখিবা হায়বদু ওইরে। মসিনা ঐখোয়গী শেন মীৎলোনদা চাউনা অকায়বা পীবা হায়বদুসু ওইরি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্না ঙা য়োক্লবগী পায়খৎলক্লিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা পূক্নিং চঙনা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মতম অমদা মণিপুরদা মশা-মশাগী য়ুমদা য়োকচরম্বা ঙা খুয়োক অদুগা হৌজিক্কা যাম্না খেন্নবা হায়বদু ওইরে। ঙা য়োক্লিবনি হায়দুনা লৌপরি অমা হেন্না চাউবা মফমদা পুখ্রি তৌথোক্তুনা ঙা য়োকপা য়াবসু নত্তে। মদুনা ঙা মপুং ফানা পুথোকপা ঙম্লোই। ঙা য়োক্লবগীদমক অখন্নবা ট্রেনিং তৌবগী তঙাইফদবা লৈরি। ঙাদসু তোঙান তোঙানবা মখল কয়া লৈরি। মখোয়শিং অদুগী বিহেবিয়র খেন্নবা মতুংইন্না মচিঞ্জাক পীজ-পীথক তৌবদসু তোঙান তোঙানবা থৌওং তৌদবা য়াদে। ঙা য়োকপা মতমদা সেলেক্সন ওফ সীদস অমদি ঙা য়োকপগী ট্রেনিংনচিংবা মখল মখা কয়াগী হৈথোই-শীংথোইবা চঙলি। লোয়ননা ঙা য়োকপা পাম্বা মীওইশিংনসু করম্বা মখলগী ঙা য়োক্লগা মণিপুরদা হেন্না শেঙ্গোক লম্বী হেনগৎপা ঙমগদগে হায়বা ৱাফমশিং খঙনা ঙা য়োক্লবগী থবক পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবী তম্নাকোনগী প্রোপ্রাইটর ময়া থৌনানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা ঙা য়োকপদা তঙাইফদনা চঙলিবা মচিঞ্জাক ফংনবা হোৎনবদা হৌখিবা চহী কয়াদগী যাম্না ৱাদুনা লাকখি। লোয়নবা তঙাইফদবা মরুওইবা চঙদবা য়াদ্রবা মচিঞ্জাকশিংসু ফংবা ঙমদনা লৈরম্মী। অফবা মখলগী মচিঞ্জাক ফংদবা মরম্না লমদম অসিদা ঙা য়োকচরিবা ঙামীশিংনসু ঙাগী পোত্থোক পাক শন্না পুথোকপা ঙমদনা লাকখি। অসিগুম্বা অৱাবশিং অসি কোক্লবগী পান্দমদা তম্নাকোননা দয়াল গ্রুপকা খুৎশম্নরগা মণিপুরদা অনৌবা দয়াল এক্কা ফীদ হায়না দিলর অমা হাংদোক্তুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙা য়োক্লিবা ঙামীশিংদা অফবা মখলগী মচিঞ্জাক ফংহন্নবা হোৎনবনি। হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুং চনবা মফম ৮গী মথক্তা দয়াল এক্কা ফীদকী ঙাগী মচিঞ্জাক ফংফমশিং লৈরে। মখা তানসু ঙাগী মচিঞ্জাকশিং অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফংহন্নবা যাম্না কন্না হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দয়াল ইন্দষ্ট্রিজগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর সাইবাল চট্টজিনা দয়াল ইন্দষ্ট্রিজনা ঙাগী মচিঞ্জাক খক্তা নত্তনা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা ইন্দষ্ট্রিজ অসিনা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিংগী মতাংদা মীয়ামদা থমখিবগা লোয়ননা ইনি দয়াগী ষ্টেট ২২ রোমদা ইন্দষ্ট্রি অসিগী তোঙান তোঙানবা ব্রাঞ্চশিংসু হাংদোকখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা দয়াল ইন্দষ্ট্রিজগী জেনরেল মেনেজর শ্রভন কুমার মিশ্রা, এগ্রিকলচরগী হান্নগী দিরেক্টর, শক্নাইরবা শৈশকপা রনবীর থৌনা অমদি লমদম অসিগী ঙা ফার্ম তৌরিবা ঙামী কয়াসু শরুক য়াখি।

## পেন্সন অদালট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১২ অয়ুক পুং ১০ তাবদগী হৌরগা নুংথিল পুং ১ ফাওবা পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা স্পেসল ষ্টেট ওফিস, ঈ পি এফ ওদা ওফিস অসিনা শীন্দুনা পেন্সন অদালট পাঙথোক্লগনি হায়না স্পেসল ষ্টেট ওফিস, ঈ পি এফ ওগী এসিষ্টেন্ট পি এফ কম্মিস্নর মজাংবৌ ন্যুমৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না খুন্দ্রাকপম রুপেস্বর, আর পি এফ সী-১ রিজনেল ওফিস, গুৱাহাটি য়াওনা পাঙথোক্কদৌরিবা পেন্সন অদলাট অসিদা ঈ পি এফ ও রিজনেল ওফিস গুৱাহাটিগী মখাদা লৈরিবা পেন্সনরশিং মরু ওইনা মেম্বর/ ৱিদো/ৱিদোৱর/চিলদ্রেন/দিপেন্দেন্ট পেরেন্টস/নোমিনি পেন্সনরশিং লাক্তুনা শরুক য়ারনবা অমদি পেন্সনগা মরী লৈনবা খুদোংচাদবশিং লোয়শীন্ননবা খঙহল্লক্লি।

# ৱার্কর্স য়ুনিয়ন মণিপুরগী থৌমীশিংনা রিমস হোস্পিটালগী মমাং থংবা লম্বী শিৎ-শেংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচ এন এস): হৌখিবা মার্চ ৩০ দগী মহুদ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দগী মিৎয়েং মখাদা মহুদ ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা লুচিংদুনা লমদম অসিগী এন জি ওশিংগা খুৎশম্নরগা ক্লিন ইম্ফাল সিটি হায়বা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইবা স্বাছ সুভেক্সন ২০২২ গী মনুংচন্না নুমিৎ ৭ নি পাঙথোক্লকপা লম-তু লু-নাননা থম্বগী কেম্প লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা ৱার্কর্স য়ুনিয়ন মণিপুরগী ভোলুন্টিয়রশিং, স্বিপরশিং, সেনিটরি ৱার্করশিং অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ষ্টাফশিং পুন্না ভোলুন্টিয়র ৩০ না শরুক য়াদুনা ঙসি রিমস হোস্পিটালগী মমাং থংবা লম্বীগী নাক-য়েৎতা মোৎশিল্লম্বশিং শেংদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ৱার্কর্স য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু অনন্দা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ননা লমদম অসিগী মীয়ামদা থমজনিংলিবা ৱাফমদি মাই ৱেষ্ট, মাই রেস্পোন্সিবিলিটি হায়বা ৱাফম অসি মীয়াম্না মতম পুম্বদা কাউবিরোইদবনি। ঐখোয়গী লমদম অসি পাক-চাউবা ৱাৎপা, চীং অমদি তম্পাক অনীনা পুল্লগা ওইবা মফম ওইবনা তম্পাক্কী পীকখ্রবা শরুকশিং অসিদা থোক্লিবা অমোৎ-অকায়শিংগী থম্ফম যাম্না লৈত্রি। অকক্লবা মফম খরদা অমোৎপশিং থম্ফম ওইরবসু মীয়াম্না মওং তানা ইশা-ইশাগীনি খন্না অমোৎ-অকায়শিং নিংথিনা থম্বা কয়া থেংনদে। মসি য়াম্নমক লায়বক থিবনি। মরম অদুনা অকক্লবা মফমশিং অসিদা অমোৎ-অকায়শিং থম্বগী হৈনবি লৈহন্দুনা অফবা লু-নানবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নরসি।

ৱার্কর্স য়ুনিয়ন মণিপুরসু অসিগুম্বা অফবা থবক থৌরম খুদিংমক্তা শরুক য়াগনি অমদি হান্নদগী হৌনা শরুক য়াদুনসু লাক্লি। ঐখোয়না ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা অমোৎপশিং করি-করিনো খঙদোকসি। অমোৎপশিং য়ামদ্রবদা অকংবা অমদি অচোৎপা হায়দুনা অনী থোক্না ইশা-ইশাগী য়ুম-য়ুমদা খাইদোক্লগা থম্লসি। হায়রিবা হৈনবি অসি থম্বা ঙম্লবদি মফম চাদনা অমোৎপা লংথোকপগী ৱাখল্লোন্দগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

লমদম অসিদা লৈরিবা সেনিটরি ৱার্করশিং মশিং অদুক্কী মতিক ৱাৎলি। সেনিটরি ৱার্কর খরা খক্না অমোৎপশিং লোয়শিন্নবগী থৌদা শিন্নবা হায়বসি অফবা ৱাখল্লোন চেনবা সিটিজেন অমা ওইগনি হায়না লৌদে। মরম অদুনা ঐখোয় খুদিংমক ঙসিদগী হৌদুনা ঐখোয়গী অকোয়বদা অমোৎপশিং মফম মরাং খংদনা লঙথোকপগী থবক তোক্লসি। লু-নানবা ইম্ফাল সিটি অমা ওইহনবা খক্ত নত্তনা লু-নানবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্না চপ মান্নবা থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মশাগী মরাল য়াজখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২ মৈতৈ চৈরাওবা কুম্মৈগা মরী লৈননা থৌবাল খেত্রি লৈকায় হাওতাবি লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা থাবল চোংবগী থৌরম লোয়শিল্লকপদা থোকখিবা খৎন- চৈনবগী থৌদোক অদুদা মরুওইনা চেন্নখিবা লৈতাংহেম সঞ্জয় মশানা মশাগী মরাল য়াজখ্রে।

থা অসিগী ৪ দা মৈরা পায়বি, ক্লব, কাউন্সিল্লর অমদি লৈকায়গী অহল-লমনশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মিফম অমদা সঞ্জয় মশানা মশাগী মরাল য়াজখিবনি হায়না খেত্রি লৈকায় রাইজিং ক্লবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref. Mutation Case No. 54/SDC/NTK/2022**

Nongmaithem Tulaching Singh S/o (L) N. Mohon Singh of Nachou - Petitioner

-Versus-

Late Nongmaithem Mohon Singh S/o (L) N. Paona Singh of Nachou. - Opponent

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Ningthoukhong, the 5th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 41-Nachou Village গী Patta no. 63(O), 146(N) CS Dag no. 1218 Area 0.25 acre গী Ingkhol ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা (Petitioner) অসিদা নামা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চৎথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong, Manipur

HL-P/2178/7

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref. Mutation Case No. 53/SDC/NTK/2022**

Nongmaithem Indrakumar Singh, S/o. (L) N. Kullachandra Singh of Nachou Kha Maning Leikai - Petitioner

-Versus-

Late Nongmaithem Kullachandra Singh, S/o. (L) N. Thambaljao Singh of Nachou - Opponent

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Ningthoukhong, the 4th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 41-Nachou Village গী Patta No. 145 (O) 608/3814 (N) C.S. Dag No. 1133/3886 Area 0.63 acre of Phourel Class অসিগী Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা (Pititioner) অসিদা নামা ওনবীরো হায়না উক্ত Court তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত Court তা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না Case মখা চৎথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong

HL-P/2176/7

## চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচ এন এস): রামা ফাউন্দেসননা শীন্দুনা চেঙ্গুম থাবা অমসুং ভর্মি কম্পোষ্টকী মতাংদা থা অসিগী ৯ দগী হৌরগা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না রামা ফাউন্দেসন, নাগামপাল রিমস রোদকী পি আর ও নোঙানবা এসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মশানা মশাবু থবক পীজহন্দুনা শেঙ্গোক লম্বী লাকহন্নবা হোৎনবনি। হায়রিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ানিংবা লন্নাই মীওই/ সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং/ওর্গনাইজেসন/ফার্মর ক্লবশিংনা থা অসিগী ৯ ফাওবগী মনুংদা রামা ফাউন্দেসনগী ওফিসতা লাক্তুনা নৎত্রগা মোবাইল নম্বর ৮৭৮৭৭৩৪৪৫২ দগী অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি। সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ট্রাইব অমদি দিসএবল পর্সনশিংদা অহেনবা খুদোংচাবা পীগনি অমদি মার্কেটিং অমসুং ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্সসু ট্রেনিশিংদা পীগনি হায়রি।

## এৱার্দ ফংলকপদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচ এন এস): কৈশাম্পাৎ মুতুম লৈকায়দা লৈবা মুতুম ওপেন্দ্রোদা ভারতিয়া দলিত সহিত্য একাদেমি, ন্যু দিল্লিনা ডা. অম্বেদকর নেসনল ফেল্লোশিপ এৱার্দ ২০২২ অমদি কলচর এন্দ লিটরেচর এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎলকখিবা অমদি মুতুম শাগৈগী মীংচৎ পুরকপগীদমক ইন্টর্নেসনল মুতুম ট্রষ্টনা থাগৎপা অমদি হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা তুংদা হেন্না মায় পাকপা ওইরসনু হায়না ট্রষ্ট অসিগী কো-কন্ভিনরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# স্কিন কেন্সর মেলোনামা

ꯈ লৌশিং পুক্কে

## ফহনবা ঙমগদবা মোলোম সাইন্টিষ্টশিংনা শেমগৎখ্রে

খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা স্কিন কেন্সর মখল অমা ওইরিবা মেলানোমা মায়োক্লবা ঙমগদবা ওইন্টমেন্ট অমা চিলিগী সাইন্টিষ্টশিংনা শেমগৎলে।

সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অসিদা ফংবা পাম্বী মখল অমা শীজিন্নরগা য়ুনিভর্সিটি লপ সেন্টিয়াগোগী কেমিষ্ট্রি অমসুং বাইওলোজি ফেকল্টিগী রিছার্চ টিম অমনা স্কিন কেন্সর ঙাকথোক্লবা ক্রিম অদু শেমগৎপনি।

রিছার্চ টিম অদুবু লুচিংখিবা সোফিয়া মিচেলসন অমদি ক্লোদিও এ ক্যুনা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না চাংয়েং তৌবগী অহানবা তাঙ্কক্তা লৈরিবা ক্রিম অদু শা মখল খরদা তৈরগা য়েংবদা ইফেক্টিভ ওইবগী খুদম ফংলে হায়রি।



ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট মতুংইন্না চহী খুদিংগী মালেমদা মেলানোমাগী অনৌবা কেস লাখ ৩০ রোম থেংনৈ হায়রি। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা স্কিন কেন্সর মখল অসি ঙাকথোক্লবগী মতাংদা চিলিগী রিছার্চর টিম অদুনা মতিক চাবা পান্থে অমা পুথোক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

রিছার্চরশিংনা হায়খি, অৱাংথংবা চিলিগী কোকুইম্বো অমসুং খা থংবা চিলিগী বাইওবিওদা ফংবা পাম্বী মখল অমদগী লৌথোকপা মচল য়াওরবা ওইন্টমেন্ট অদু নুমীৎ হুন্নী খুদিংগী অমুরক তৈগদবনি। অহানবদা রিছার্চরশিংনা শা মখল খরদা ওইন্টমেন্ট অদু তৈদুনা চাংয়েং তৌরম্মী। মদুদা ট্যুমর সেলশিং মশীং হেনগৎহন্দে হায়বা খঙলকখি। মতৌ অসুম্না শাশিংগী পুন্সি শাংদোকহনবা ঙম্লম্মী।

থৌরাং অসিগী কান্নবা অমনা শেল ইচঙ চঙদবগী মতাংদনি। কেন্সর মায়োক্লনবা হীদাক কয়া হান্নদগী পুথোক্লরকপা লৈখ্রে। অদুবু মমল কা-হেন্ন তাঙবা মরম্না ইচম চম্বা মীওইশিংনা শীজিন্নবা ঙম্বগী ফীভম লৈত্রি। নৌনা শেমগৎলিবা ক্রিম অসি ইহোঙ-হোঙবা মরম্না লায়রবা মীওইশিংনসু শীজিন্নবা ঙমগনি হায়রি।

অমরোমদা, কিং'স কোলেজ লন্দনগী রিছার্চরশিংনা হায়খ্রে মদুদি য়েৎথংবা পান্থোমদা শম্বু ১১ হেন্না থুংবগা লোয়ননা হকচাংদা শম্বু ১০০ হেন্না থুংবা মীওইশিং স্কিন কেন্সর মায়োক্লরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। য়েৎথংবা পান্থোমদা শম্বু থুংবনা কেন্সরগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা ইঙ্গিৎনি হায়না পল্লদুনা কিং'স কোলেজ লন্দনগী রিছার্চর সিমন রিবেরোনা হায়খি, য়েৎথংবা পান্থোমদা শম্বু মাপন হেন্না থুংবা নুপী খুদিংমক হকচাংগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা শম্বু ৫০ হেন্না থুংলম্বা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লে। য়েৎথংবা পান্থোমদা শম্বু ১১ হেন্না থুংলগনা হকচাংদা পুন্না শম্বু ১০০ হেন্না থুংলম্বা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লে। হায়রিবা মীওইশিং অসি মেলানোমাগী রিস্ক ৱাংবা কাঙবুনি।

মতৌ অসুম্না য়েৎথংবা পান্থোমদা শম্বু কয়া যাম্না থুংবগে হায়বদু খঙদোক্লগা হকচাংদা পুন্না শম্বু কয়ামুক থুংলমগদগে হায়বদু চাউরাকপা অমা খঙবা ঙমগনি হায়রি। শম্বু মশীং খঙলগা স্কিন কেন্সরগী চাউরাকপা রিস্ক খঙবা ঙম্মী হায়না পল্লদুনা রিছার্চরশিংনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমগী হকচাংদা পুন্না শম্বু কয়া যাম্না থুংবগে হায়বদু খঙদোকপা হায়বসি অৱাবা অমনি। মরম অদুনা য়েৎথংবা পান্থোমদা শম্বু কয়াম থুংবগে হায়বদু খঙদোক্লবদি হিরম অসিগীমতাংদা চাউরাকপা অমা খঙবা ঙমগনি।

রিছার্চরশিংনা কুমজা ১৯৯৫ দগী কুমজা ২০০৩ ফাওবা মীওই ৩৫৯৪ দা থিজিল্লবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি।

মরকসিদা স্বিদেনগী রিছার্চর কাঙবু অমনা হায়খ্রে মদুদি কেন্সর নারবা মীওইশিংনা

এন্টিওক্সিদেন্ট চাবা তারবদি হকচাংগী অতৈ অতোপ্পা মফমদা খোঙজেল য়াঙনা কেন্সর শন্দোকখি। ন্যুট্রিসনেল সপ্লিমেন্ট অয়াম্বদা য়াওবা এন্টি ওক্সিদেন্টনা কেন্সর ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না ক্লেম তৌনরি। অদুবু কেন্সর পেসেন্টশিংনা এন্টিওক্সিদেন্ট চারবদি খোঙজেল য়াঙনা হকচাংগী অতৈ অতোপ্পা মফমদসু কেন্সর শন্দোকখিবগী খুদম ফংলে।

এন্টিওক্সিদেন্টনা মশা-মউ ফবা সেলশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বগুম কেন্সর সেলশিংসু ঙাক শেল্লি হায়রি। সাইন্টিষ্টশিংনা উচি খরদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা থৌওং অসি খঙলকখিবনি। মীওইবগী লংস কেন্সর সেলশিংদা চাংয়েং তৌবদা ৱাফম অসি কনফার্ম তৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, ন্যুয়োর্ক য়ুনিভর্সিটিগী সাইন্টিষ্ট কাঙবু অমনা স্কিন কেন্সর দিটেক্ট তৌবা ঙম্বা ব্লদ টেষ্ট মখল অমা থেংনরে। য়ুনিভর্সিটি অসিগী রিছার্চর দেবিদ পোলস্কিনা হায়খি, মেটাষ্টেটিক মেলানোমা খঙদোক্লবগী মতাংদা অনৌবা ব্লদ টেষ্ট মখল অমা থেংনরে। ঈদা য়াওবা অশিবা কেন্সর সেলশিংগী মচেৎ তারবা দি এন এ য়েংলগা কেন্সরনা কদায় ফাওবা হকচাংগী অতৈ মফমদা শন্দোকখ্রবগে হায়বদু খঙবা ঙম্লে।

মেটাষ্টেটিক মেলানোমা পেসেন্ট ৩১ দা চাংয়েং চৎখবদা থৌওং অসি খঙলকপনি। ইম্যুনোথেরাপি, টার্গেটেদ মোলিক্যুলর থেরাপি, সর্জরি অমসুং রেদিয়েসন থেরাপিগী মতেংনা লায়েংলিবা মেটাষ্টেটিক মেলানোমা হায়রিবা লায়না অসি করিগুম্বা মতমদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরকপদগী লায়েংবা ঙমদে। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি মোলিক্যুলর ওনকোলোজি জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকপনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## ওক্সিজেন প্লান্ট হান্নগুম মথৌ তৌহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচ এন এস): জেনিমসতা হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী জন্যুৱারী ০৪ দা ইন্সটোল তৌখিবা ওক্সিজেন প্লান্ট মতম খরা মথৌ তৌবা লেপ্লুরবা মতুং অমুক হন্না হান্নগুম মথৌ তৌহন্নবা অখং-অহৈশিংগা তান্নরগা নৌনা শেমগৎপগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা জেনিমসকী দিরেক্টরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, জেনিমসতা ইন্সটোল তৌখিবা ওক্সিজেন প্লান্ট অদু হৌখিবা কুমজা ২০১১ গী মার্চ থাদা মতম অদুগী দিরেক্টরনা সপ্লাই ওর্দর থোকখি। মতম অদুগী লৈঙাক অমদি সপ্লাইয়রনা সব-ষ্টেন্দর্দ ওইবা মচাকশিং শীজিন্নরগা ইন্সটোল তৌরম্বনা প্লান্ট অসি মতম খরা মথৌ তৌবা হৌরক্লবা মতুং মদুদগী পুথোরকখিবা ওক্সিজেনগী প্যুরিটি লেভেল অদু নিংথিনা সর্টিফাইদ তৌদবনা রিস্ক লৈগদ্রা চিংনৈ হায়না এনেসথেসিয়া দিপার্টমেন্ট জেনিমসকী ঐচ ও দিনা রিপোর্ট পিখৎলকপদগী থবক তৌবা লেপখিবনি।

হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী সী এমসু ওইরিবা জেনিমস সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট এন বিরেনগী মিৎয়েং মখাদা প্লান্ট অসি হান্নগুম মথৌ তৌহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌখিবনি হায়রি।




## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৭। ০৪। ২০২২ ইং, শগোলশেল;
শজিবুগী ৬নি পানবা।

মেষ: অঙনবদা নীংবা থুংবা খরা ৱাৎলসু লাইবক ফবা নুমিৎ ওইগনি। নচা-ননাইনা মাঙহনবা অমদি নাপলনা মাঙহনবা লৈরসু থৌনা লৈনা থৌপাঙবনা কান্নবা ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

বৃষ: পুং ৯ মখায় ফাওবদা নীংবা শোয়দনা থুংগদবা খোঙশাল লৈ। নচাক নরল চাওখৎপা, তুংগী পোরম শীনবা য়াবা অমদি ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: অফা-অপুনগী থবক্তা য়াওরুগনু অমদি অঙম্বনা য়ানবা চৎপা ফগনি। অচুম্বনা মাঙওইনৌ, ইমুং-মনুংগী ৱা লুম্না লৌ, লাইবক ফবগী নুংঙাইজবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: মরুপ মপাং লোয়নবা যাম্না কান্নগনি, শেল-থুম ফংবগী নুংঙাইজবা লৈখিনি। ৱানোম থৌনোমদি মাঙগনি, নোল্লুক্না চৎত্রদি অচৌবা মাঙজবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

সিংহ: অনীংবা থবক পাঙবা, শেল-ফংবা, মীচঙ হেনগৎপা অমদি অফবা মীংচৎ ফংবগী নুংঙাইজবসু লৈগনি। লাই-গুরুনসু ঙসিসু যাম্না থৌজালবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কন্যা: মীপায়রম্বা কোকচদুনা অনীংবা থবক লায়না পাঙবা ঙমগনি, অনৌবা আশাগা লোয়ননা অনৌবা থবক পাঙবা ফগনি। খাঙবা অমদি থিবা হুম্বা কনবদি মথৌ তাই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: ইমুংদা হুরানবনা তাথি। অচুম্বা অমদি মীয়ামগী মতেংনদি মায় পাক্কনি। হেন্না আশা চাওবা অমদি হোয়া ফবনা মাঙজবা অমদি মীপায়বদি লৈগনি-চরাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: অয়ুক পুং ৯ মখায় ফাওবা মায় পাক্কদবা খোঙশাল লৈ থেংথরক্লদি মীপায়বা নংগনি। মীয়াম্না পাম্নবা থবক পাঙউ নৎত্রগা মখোয়গা লোয়নৌ-কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

ধনু: নীংবা থুংবা, শেন্দোং চাওনা ফংজবা, অফবা মীংচৎ ফংবা অমদি অরং-অরাক ফংবা য়াবা নুমিৎনি। অদুবু য়েৎনবা অমদি অশাওবনা মাঙজবদি লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মকর: মায় পাক্লনি, শেন্দোং তানবসু থোইনা কান্নরনি-খুৎচাও থাহৌরো। অফা-অপুন্নবদি লোয়নগনি অদুবু খাঙবা কল্লদি নরল মাঙগদবদৈ লায়না কনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: মরুপ-মপাং অমদি নথক থোংবনা যাম্না চানবীবা নুমিৎনি। অরাপ্পা মফমদগী কান্নবা ফংগনি অমদি অনৌবা মরুপ ফংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। অনমদি তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিন: অঙনবদা শোয়দনা মায় পাক্কদবা খোঙশাল লৈগনি, পুং ৯ মখায় তাখ্রদি লাইবক ফবা হন্থরগনি। অকিবা লৈতনা থৌনা উৎথোকপনা লন তানশিনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাখিরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।